**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 24-02-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা ঙসি মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমি এৱার্দ য়েন্থোকখ্রে।

রাজ্যপালনা হায়- লাই হরাউবা য়াওনা চীং অমসুং তম্পাক্কী ফোঙ্ক জগোইশিং অসিনা লমদম অসিগী মহৌশাদগী লৈজরক্লুবা কলচরেল হেরিতেজগী ইনাক খুনবগী চপ চাবা খুদম ওইরি।

২) রাজ্য সরকারনা হায়রি- কেন্দ্রগী ৱাতর রিসোর্সেস বিভাগনা স্প্রিংসেটকী রোদমেপ অমা শেমবগীদমক লৈবাক অসিগী মফম খুদিংমক্তা স্প্রিংসেটকী সর্ভে চথুরি।

৩) নুমিৎ মঙানি চথুগদবা য়ুথ ইম্পৱারমেন্ট এন্দ স্কিলস ঙসিদগী মণিপুর য়ুনিভর্সিতিদা হৌখ্রে।

৪) ইন্দিয়া-সাউথ কোরিয়া একাদমিক রিছার্স এন্দ কোওপরেসন মপাঙ্গল কনখৎহনবগী পান্দমদা ইন্দিয়া-কোরিয়া সেন্তর ফোর রিছার্স এন্দ ইনোভেসনগী দিরেক্তরনা মণিপুর টেকিকেল য়ুনিভর্সিতি য়েংশিনখ্রে।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি কিষান সম্মান নিধি (পি.এম-কিষান) স্কিমগী ১৯ শুবা ইন্সটোলমেন্ট ঙসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা য়েন্থোকখ্রে।

------

গভর্নর (এল)ঃ রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা ঙসি মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমি এৱার্দ য়েন্থোকখ্রে।

ইম্ফালদা লৈবা রাজ ভবনগী দরবার হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমিগী চেয়ারমেনসু ওইরিবা রাজ্যপালনা একাদমি ফেলো, একাদমি এৱার্দ অমসুং একাদমি য়ং টেলেন্ট এৱার্দ আর্ট এন্দ কলচরগী লমদা কৎথোকপগা লোয়ননা শিংথানিঙাই ওইবা থবক তৌবা মীওইশিংদা খুৎশিন্নখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যপালনা হায়- মণিপুরগী কলা অমসুং সংস্কৃতিগী মরমদা লাইরিক অমসুং মীয়ামা হায়বা খঙলম্বা অদু ঙসিদি রাজ্য অসিগী কলা সংস্কৃতিনা মালেম শিনবা থুংবদা ফাওরিবা অসি করিগীনো হায়বদু চপ চানা খঙবা ঙমলে। মহাকা হায়- মণিপুর অসি মালেমগী অতৈ মফমশিংদা ইনাক খুল্লবা কলা-সংস্কৃতিগী লমগীদমক মমিং চৎলি। ক্লাসিকেল মণিপুরী জগোইশিং অসি মালেমগী ক্লাসিকেল জগোইশিংগী মরক্তা তোপ তোপ্পা মফম অমা কল্লি। লাই হরাউবা য়াওনা চীং অমসুং তম্পাক্কী ফোল্ক জগোইশিং অসিনা লমদম অসিগী মহৌশাদগী লৈজরক্লবা কলচরেল হেরিতেজগী ইনাক খুনবা অদুগী চপ চাবা খুদম ওইরি।

রাজ্যপালনা হায়- নট সংকৃটন, শুমাং লীলা, পেনা, থাং-তা, খোংজোম পর্বা অমদি ৱারী লীবনচিংবা তোঙান তোঙানবা মওংগী আর্ট ফোর্মশিংদসু রাজ্য অসি থোহদোকা মমিং চৎলি।

মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমি এৱার্দ ১৯৭২ দা হৌদোকখ্রবা মতুংদা কলা সংস্কৃতি, লিটরেচর অমসুং ফাইন আর্টসকী লমদা শকাইরবা খনগৎলবা মীওইশিংদা মনা পীদুনা লাক্লি। মনা অসি আর্টিষ্টশিং, আইবশিং অমদি ফাইন আর্টস তৌরিবা মীওইশিংগী হৈথোই শিংথোইবা অদু উথোকপনি।

মহাকা হায়- হৌখিবা চহি খরা অসিদা কলা সংস্কৃতিগী লমদা একাদমি অসিনা শকাইরবা মীওই কয়াবু ইকায় খুমবা উৎখ্রে। শকাইরবা মীওইশিং অসিনা মণিপুরগী কলা সংস্কৃতি অমসুং লিটরেচরবু হেন্না মমিং চৎহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। নহা ওইরিবা হৈথোই শিংথোইরবা আর্টিষ্ট ৬ একাদমিনা

মনা পীদুনা ইকায় খুমখিববু রাজ্যপালনা থাগৎপা ফোংদোকখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা আর্ট এন্দ কলচরগী স্পেসিয়েল কম্মিসনার- এম. জোয় সিংহ, কম্মিসনার ফাইনান্স- এন. অশোক কুমার শরুক য়াখি।

এনভাইরনমেন্ট(এল)ঃ স্প্রিংসেট মেনেজমেন্ট হায়বসিদা অনিশুবা ইন্টর-দিপার্টমেন্তেল রাউন্দ তেবল, রাজ্য সরকারগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জনা শিন্দুনা ইম্ফালগী নোর্থ এ.ও.সিদা লৈবা হোতেল ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ফোরেষ্ট ইনভাইরনমেন্ট অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি অরুনকুমার সিনহানা হায়-রাজ্য অসিদা হৌজিক পাৎ মরি শেমগৎপগী থবক চথরি। মহাকা হায়- রাজ্য অসিদা লৈবা পুন্না পাৎ ১৩৪ মশক খঙদোক্নুনা পাৎশিং অসি শেমগৎপগী থবক পায়খৎপা হৌরে।

ডাঃ অরুনকুমারনা হায়- কেন্দ্রগী ৱাতর রিসোর্সেস বিভাগনা লৈবাক অসিগী মফম খুদিংমক্তা স্প্রিংসেটকী সর্ভে অমা চথরি । মসি স্প্রিংসেটকী রোদমেপ অমা শেমবগীদমক্তনি। স্প্রিংসেট দেভলপমেন্ট অমসুং মেনেজমেন টকীদমক কেন্দ্র সরকারনা লূপা কোতি লিশিং ২,৭০০ কাহথোকখ্রে। মসিনা রাজ্য অসিদসু স্প্রিংসেটশিং শেমগৎপদা চাউনা মতেং ওইগনি। মহাকা হায়-

মৈ (এল)ঃ থা অসিগী ২১ দগী ঙসি ফাওবদা এম.এস.পি.সি.এলনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা রেইদ চথবদা মৈ লান্না শিজিন্নরম্বগীদমক কঞ্জুমর ২১ ফাগৎখ্রে। এম.এস.পি.দি.সি.এলগী চেরোল অমনা হায়- কঞ্জুমর ৯৮ গী মৈ ককথৎখ্রে।

মরক অসিদা, এম.এস.পি.দি.সি.এলগী মেনেজিং দিরেক্তর ঐচ. শান্তিকুমার সিংহনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- কঞ্জুমরশিংনা ইশা ইশাগী অতোনবা মৈগী খাজনাশিং মতম চানা থিদোকপীয়ু। নিয়মগী ৱাংমদা মৈ কোৎপা নত্রগা মীতরদা মৈ চংহন্দনা মৈ শিজিন্নরবদি ইলেক্ট্রিসিতি এক্ট ২০০৩ গী সেক্সন ১৩৫ গী মতুংইন্না খুদক্তা ফাবগী অয়াবা পীরি।

ইদুকেসন (এল)ঃ  মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী টিচর ইদুকেসন বিভাগনা আর্থ ওফ লিভিং ফাউন্দেসন বেঙ্গলুরুগা পুন্না শিন্দুনা নুমিৎ মঙানি চখুগদবা য়ুথ ইম্পৱারমেন্ট এন্দ স্কিলস ঙসি বিভাগ অসিগী মল্টি পরপজ হোলদা হৌখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার নাওরেম লোকেন্দ্রো সিংহনা হায়- অন্দর গ্রেজুয়েটকী সেলেবস শেম্বদা এন.সি.সি, এন.এস.এসকা লোয়ননা আর্থ ওফ লিভিং য়াওহন্দুনা নহাশিং অমদি মহৈরোইশিংনা থেংনরিবা সমস্যাশিং খরদা ওইরবসু কোহনবা ঙমগনি। মহাকা হায়- মণিপুরদা থোক্লিবা কাংলুপকী ইরাং অসিনা নহাশিংগী ৱাখল্লোনদা মরুওইনা ইরাং অসিনা হকথেংননা শোকহল্লিবা মীওইশিংগী ৱাখল্লোনদা চাউনা খুদোংচাদবা থোকহল্লি।

চান্দেল (এল)ঃ  চান্দেল জিলাগী লম্বুংদা লৈবা য়ুনাইতেদ কলেজগী চহি খুদিংগী পাঙথোকপা মেরিতোরিয়স এৱার্দ ঙসি জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা য়েন্থোকখ্রে। কলেজ অসিগী আই.কিউ.এ.সিনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার লাইশ্রম নন্দকুমারনা সাইন্সকী ওইনা ৱাই. সাবিত্রি দেবী মেরিতোরিয়স এৱার্দ ভভরচা রুংতোলদা অমসুং আর্টসকী ওইনা হ্যুটেন লেনজোই মেরিতোরিয়স এৱার্দনা ময়াংলম্বম সত্যা ভামা দেবী অমসুং পেখামরিং তোন্সিনদা পীখি।

খোঙচৎ (এল)ঃ  ইন্দিয়া-সাউথ কোরিয়া একাদমিক রিছার্স এন্দ কোওপরেসন মপাঙ্গল কনখৎহনবগী পান্দমদা ইন্দিয়া-কোরিয়া সেন্তর ফোর রিছার্স এন্দ ইনোভেসন (আই.কে.সি.আর.আই)গী দিরেক্তর ডাঃ য়ং হো কিমনা মণিপুর টেকিকেল য়ুনিভর্সিতি (এম.টি.য়ু)দা ঙসি চত্তুনা য়েংশিনখ্রে।

এম.টি.য়ুগী রেজিষ্ট্রার রামানন্দ নোংমৈকাপ্পমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- খোঙচৎ অদুদা ডাঃ কিমনা য়ুনিভর্সিতি অসিগী মহৈরোই অমসুং ওফিসিয়েলশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। ৱারী শান্নবা অদুদা ডাঃ কিমনা ৱার্ল্ড ৱাইদ রিছার্স পেটর্নগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি অমসুং মালেমগী

কৈথেলদা অৱাংবা থাক্কী রিছার্স লোয়ননা কেরিয়রগী ওইবা হিরম কয়াগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি। ডাঃ কিমনা ইনোভেসন অমসুং সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট য়োকখৎপদা হৌগৎলক্লিবা নহাশিংগী মরুওইবা থৌদাং কয়াগী মতাংদা ৱা ঙাংখি। মহাকা হায়- তুংদা থেংনরক্কদবা খুদোংচাদবশিং য়েংলগা মহৈরোইশিংবু আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্স, রিন্যুএবল ইনর্জি অমসুং বাইও টেকোলোজিনচিংবা কয়াদা হৈথোই শিংথোইহনবগী তঙাইফদবা লৈ।

ডাঃ কিমগী খোঙচৎ অসিবু থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা এম.টি.য়ুগী রেজিষ্ট্রার রামানন্দ নোংমৈকাপ্পমনা মহাক্কী খোঙচৎ অসিনা য়ুনিভর্সিতি অসিগী একাদমিক্কী লমদা কান্নবা কয়া পীগনি হায়না ফোংদোকখি।

য়ু (এল)ঃ থৌবাল পুলিসনা হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চথুখিবা দ্রাইভতা য়ু লিতর কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমখ্রে। ঙসি নুংথিল এস.পি. থৌবালগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা এদ্দিসনেল এস.পি.(লো এন্দ ওর্দর) এন. শুরজনা হায়- জিলা অসিগী মফম কয়াদা য়ু পাক শন্না য়োল্লে হায়বগী পাউ ফংবদগী পুলিসনা দ্রাইভ চথুবদা কিং ফিসর ২৪০, বি-৭ ষ্টরলিং রিজার্ভ ১৩২, আইকোনিক ৱাইট ৩৬, ওল মঙ্ক ৭২, মেক দোৱেল ১২ অমসুং দি.আই.সি বোট্টল ৩০৭ ফাগৎপা ঙমলে। মহাকা হায়- অসিগুম্বা দ্রাইভ অসি মখা তানা চথুখিগনি। মসিদা মীয়ামা মতেং পাংবীনবা আপীল তৌরক্লি।

ককচিং(এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংনা দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম ওফিসার, আই.সি.দি.এস সেলগা পুন্না শিন্দুনা বেতি বচাও, বেতি পরাওগা মরী লৈননা পাঙনতাবী মখা লৈকাহ কম্ম্যুনিতি হোলদা ঙসি মীয়াম্বু ভাব তাহনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি নুপা-নুপী থোং মান্নবা, নুপীমচাশিংবু ঙাক শেনবা অমসুং মহৈ মশিং তমহনবা অমদি প্রিকোন্সেপসন এন্দ প্রিনাটেল দাইগোষ্টিক টেকিক এক্ট ১৯৯৪ গী মখাদা পুক ্ংদা লৈবা অঙাংশিংবু নুপা-নুপী খঙদোকপগী আইনগী ওইবা থবক থৌরমশিং

খঙহন্নবনি। মীওই ১৬০ হেন্না শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা উ চারাশিং থাখি।

ৱাকৎ (এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চনবা শেঞ্জম খুনৌদা মৈরা পায়বীশিংনা খুল ঙাকপা ফাবা য়ারোই, মীয়ামা খনবা মীহুৎনা লৈঙাক শেম্মু হায়বা দাবী তৌদুনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। শেঞ্জম খুনৌগী মৈরা শঙদা পাঙথোকপা ৱাকৎ মীফম অদুদা রাষ্ট্রপতি সাসনগী মহুৎতা মীয়ামা খনবা মীহুৎনা অথুবা মতমদা লৈঙাক শেমবা দাবী তৌরি।

যুনাইতেদ দিভলপমেন্ট ক্লব, ঙাইখোংনা শিন্দুনা খুল ঙাকপা ফাজিনখিববু য়ানিংদবা ফোংদোক্লুনা ঙাইখোং, ঙাইখোং খুল্লেন অমদি নাচৌগী মৈরা পায়বী লুপশিংনা ঙসি ঙাইখোং কৈথেলদা ৱাকৎ মীফম ফমখি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি কিষান সম্মান নিধি (পি.এম-কিষান) স্কিমগী ১৯ শুবা ইন্সটোলমেন্ট ঙসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা য়েন্থোকখ্রে।

বিহারগী ভগলপুরদা ঙসি নুংথিল পি.এম-কিষান স্কিম চহি ৬ মপুং ফারকপগা মরী লৈননা পাঙথোকপা থৌরম অমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- লৈবাক অসিগী লৌমী কোতি ৯ লাখ ৮ লোমগী বেঙ্ক এক্কাউন্টশিংদা হৌজিক ফাওবদা লুপা কোতি লিশিং ২২,৭০০ হেন্না ত্রান্সফর তৌখ্রে। ঙসিগী ইন্সটোলমেন্ট অসিদা বিহারগী লৌমী লাখ ৭৫ রোম য়াওরি। ঙসি খক্তদা বিহারগী লৌমীশিংগী বেঙ্ক এক্কাউন্টতা লুপা কোতি লিশিং ১,৬০০ হাপখ্রে।

থৌবাল (এল)ঃ পি.এম. কিষান স্কিমগী ১৯ সুবা ইন্সটোলমেন্ট খুৎশিন্নবগী থৌরম কৃশি বিগ্যান কেন্দ্র থৌবালনসু ৱেব কাষ্টকী খুত্থাংদা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা লৌমীশিংনা পুথোকপা ওর্গানিক অমদি মহৌশাগী ওইবা লৌউ পথাপকী পোৎলম কয়া উৎপা কিষান মেলা অমসু পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা এগ্রিকলচর বিভাগকী দিপ্যুতি দাইরেক্তর এ.কে. চিত্তরঞ্জন্না হায়- ঙসি থাদোক্লিবা শেনফম অসিদা মণিপুরগী ওইনা বেনিফিসরি লিশিং ৮৫ য়াওরি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভারতকী পুৱারিদা অহানবা ওইনা মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংনা লৈবাক অসিদা হিরম কয়াদা আশা চাউনা থল্লক্লি।

ভোপালদা ঙসি পাঙথোকখিবা গ্লোবেল ইনভেষ্টরস সম্মিৎ হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- মীচম মীয়াম, তোঙান তোঙানবা ইন্সটিট্যুসন, ইকোনোমিষ্ট অমদি অতোপ্পা লৈবাকশিংনা ভারত্তা মীৎয়েং থমরক্লি। মহাকা হায়- ৱার্ল্ড বেঙ্কতগী হৌদুনা মালেমগী লৈবাকশিংদা লৈরিবা মরুওইবা ইন্সটিট্যুসনশিং য়েংনবদা ভারতনা শেল থুমগী লমদা খ্বাইদগী খুমাং য়াংনা চংশিনবা ঙম্বা ওইরি। শ্রী মোদিনা হায়- বি.জে.পিগী দবল ইঞ্জিন সরকার অসিনা লৈবাক অসিবু চাওখৎপগী লমদা হেন্না খুমাং য়াংশিনহনবা ঙল্লিবনি। প্রধান মন্ত্রিনা মখা তানা হায়- চাওখৎলবা ভারত অমা ওইবা মতমদা টেক্সতাইল, তুরিজম অমসুং টেকোলোজি সেক্তর অসিনা খ্বাইদগী মরুওইবনি।

স্কিম ঃ প্রধান মন্ত্রি অৱাস য়োজনা-গ্রামিনগী মখদা অরুনাচল প্রদেশতা চাদা চামা য়ুম শাবা লোইশিনবা ঙমলে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা পোষ্ট অমদি অরুনাচল প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি পেমা খন্দুনা হায়- পান্দম অসি থা অসিগী ২১ দা য়ৌবা ঙমখিবনি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- স্কিম অসিগী মখাদা রাজ্য অসিদা পুন্না য়ুম লিশিং ৩৫,৫৯১ শাবা লোইশিনবা ঙমখি। স্কিম অসিগীদমক প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিবু মুখ্য মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

আরবিআই ঃ রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (আর.বি.আই)না ফাইনান্সিয়েল লিতরেসি ৱিক ২০২৫ ঙসি হৌদোকখ্রে।

অরুনাচল প্রদেশকী ইতানাগরদা লৈবা দি.কে. কনভেন্সন সেন্তরদা পাঙথোকখিবা হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা আর.বি.আই রিজনেল ওফিস, ইতানাগরগী জেনেরেল মেনেজর অভিসেক মজুমদারনা হায়- মীয়াম্বু শেল থুমগী লমদা খঙহন্নবগী পান্দমদা চহিগী ওইনা পায়খৎলকপা খোঙথাং অমনি। হন্দক চহিগী ওইনা কেম্পেন অসি ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ২৪

ফাওবা ফাইনান্সিয়েল লিতরেসি- ৱিমেন্স প্রোস্পরিতি হায়বা হিরমদা য়ুম্ফম ওইদুনা পাঙথোক্কনি। মহাকা হায়- কুমশি চহিগী হিরমনা নুপীশিংবু শেল থুম অমসুং সমাজিক্কী ফিভম ফগৎহনবনি। সরকার অমসুং বেঙ্কশিংনা ফংহল্লিবা দিজিতেল ফাইনান্স অমসুং বেঙ্কিং এপপশিং কষ্টমরশিংনা শিজিন্নহন্নবা হোৎনগদবনি হায়না অভিসেক মজ্মদারনা বেঙ্করশিংদা আপীল তৌরি।

ডে (এল)ঃ শান্নরোইশিংগী নুমিৎ- প্লেয়ারস ডে হয়েং খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লগনি। রাজ্য সরকারগী য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টসনা শিনবা থৌরম অদুদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা শরুক য়াগনি হায়রি।

ফুটবোল (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরগী মীৎয়েং মখাদা ইশোক ফুটবোল ক্লবনা শিনবা অনিশুবা ঐচ. পান্থোইবী দেবী এন্দ ঐচ. তোম্বা সিংহ মেমোরিএল অন্দর থারতিন বোইজ ফুটবোল লিগ ঙসি ইশোক প্লে গ্রাউন্দদা শান্নিখিবা মেটচতা ক্রাউনা খুনফম য়ুথ ভোলুন্তরি ওর্গনাইজেসন এন্দ সোসিয়েল ৱেলফ্যার সেন্তরবু পাঞ্জল ৩-১ থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা রিগুলর ফুটবোল কোচিং সেন্তরনা য়ুনাইতেদ ফুটবোল ক্লব বিষ্ণুপুর পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখি।

ক্রিকেট (এল)ঃ ১২ শুবা টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই.য়ু.সি.সি. ক্বাকৈথেল মোইরাং পুরেলনা বি.কে.সি.সি বামোনকম্পুবু রন ৫৪ দা থোইখি। অতোপ্পা মেটচ অমদা রিস নাগামপালনা সাইক্লোন থাংমৈবন্দবু রন ৭ তা থোইখি।

ক্রিকেট (এল)ঃ ৯ শুবা এম.এন.সি.এ. ডব্লিয়ু পরহাদা এন্দ ডব্লিয়ু রামানন্দা এলিট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ত্রাউ ক্বাকৈথেলনা পি.টি.সি.সি পাৎশোই পার্ট থ্রিবু রন ৮ দা থোইখি।

মরিশুবা এম.এন.সি.এ. সেনিয়ার ৱিমেন্স ৱান ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচতা পি.টি.আর.সি পাৎশোইনা সেদো থাংমৈবন্দবু রন ১২৫ দা থোইখি।

------